'ইখুৎনা থাজে ইনশাংদো, ইখুৎনা তন্না হেক্কৈচদো, নুংঙাইবনি ইথিং তন্নদো''
- হিজম অঙাংহল ('ঐগী' শৈরেংদগী)

# শৈরেং

## শিবা নাইদবা

**—ক্ষেত্রিময়ুম শুবদনী**

থিরি ঐনা নঙবু
মফম খুদিং চৎতুনা
লাইশঙ কয়া, চর্চ কয়া
উমং কয়া, তুরেল কয়া
মফম খুদিং কোইচৎ চৎতুনা।
নঙগীদমক ঐনা চৎতবা লৈত্রে
নঙবু থিবদা চোকথরে হকচাংসে
ময়েং তাখ্রে পুন্সিসু
খোঙচৎ কয়া লেপ্তুনা চৎপদা।
নঙতবু ফংলবদি খন্দুনা
অদুগা নঙদি ইনক নক্লা
খ্বাইদগী নক্লা,
অঙকপা অমা ওইনা
ঐগী নুংদা লৈরল্লে,
থম্মোয়দা ঙাম্বোইদুনা
ঐগী ঈশ্বর,
ঐগী আত্মা
শিবা নাইদনা নহাক্তি।

## মমিংদা ঙায়রে

**—রেবিকা ওক্রম**

পোক্লফম লমদম লম্মুংশি
মমিংতা ঙায়রে সনা লৈবাক।
অৱাৎপদনা নশরুক ওইরে ঙসিদি
অকনবা পোকপী ওইরসু
থৌনা হল্লে
মমিংতা ঙায়রে মৈতৈ নোংশা।
চাকহোঙ ঙাহোঙদরে ইবেনসু
চাবা থকপা মিপাল তাংলে।
মমিংতা ঙায়রে
শিরুই লিলি
মমিংতা ঙায়রে
কংলাশা
চীংনা কোয়না পনশাবা
চীংমীনা কোয়না পনঙাকপা
মতম অমগী
নুংশি ৱারী ওইহৌরে।
মৰূ কোক্লে চীংদোলসু
পলঙাকপসু লেপখরে
হৌনশারা মসিবু
মতমগী অওনবা হায়দুরা?

## হায়দোক্লনি হন্দক্তি শোয়দ্রে

**—বি মঙাং**

হায়দোক্লনি হায়দোক্লনি
হন্দক্তি শোয়দ্রবনি।
কোয়লাও লাও মফম খুদিং
চুমদ-চুম্মবোই নীংই।
হন্দক্তি শোয়দৌ মান্দ্রে
ঐদিবা দ্রেসকা তুরবনি
শোয়ররোই হায়রকপদুদা
হেরা! নঙসু
হিংচাবীনা শরি শোনবদুবু
ঐদি শেন্দোয় হুনবদা
মরেপ্তগী হেনখ্রবনি।
নঙদি অদুখক্তা
ঐদিবা নুংশিনরম্বা নুপীগা
লোইনা কায়নখ্রপোৎনি।
য়াম্না মাঙইদা তৌরিসি!
শুংথা থাজৌ য়াদে
চহীসু হেন্দোকখ্রে
ত্রেনিং মনুংদা নঙবু
চেনবা চোঙবা ঙমখিদ্রা?
য়াওদ য়াওসনু কৈনো
দন্দিনি।
শদৌ খোঙলসু চেনতাবনি।

## অচৌবীগী টেলিফোন

**—রঘুবীর থিয়াম**

রিং টোন...
হল্লো, কনা
মহোয়বা ঐনে
করম তৌরে
এপোইন্টমেন্ট পীদ্রি
করিগী হৌজিকফাও
অনাবা ক্যদা লৈরি
য়ারক্লনি কন্না ঙাঙনরি
তৌরক্লিসি কদায়দগীনো
লায়েংদ্রিঙৈ কোয়থোকপনি
ইচাশিংনা পুবিরগা লোইনা য়েংলে
মুম্বাই তশেংনা ফজে, ব্যুটিফুল সো মচ
ইল্লিফেন্টা কেভ, জুহু বীচ,
মেরিন দ্রাইভ, গেট-ৱে, টাজ হোটেল,
ৱার্লদলি সি লিঙ্কনচিংবা।
লায়েংবা চৎলিরা কোয়রিরা
ইচাশিংনা পুবিরিনিদা
হোয়-হোয় মদুসু ফৈ
এপোইন্টমেন্ট ফংলদি চেকশিন্না য়েংলকউ
থেঙমনখ্রদি নুংঙাইরোই
শেলগীদি ঐহাক লৈরি
করিসু খনগনু ঙম্বমখৈ হোৎনগনি
গোদ মে ব্লেস য়ু, থল্লগে।
থা মরিগী মতুংনি
খোঞ্জেলদু পীকথখ্রে অসুম-অসুম
রেদিয়েসন কেমোনা নৈহৎপীখ্রে।
জন্যুৱারী মঙা কুন্নিথোইগী
থুংলরে ইম্ফাল এয়রপোর্টতা
ইন্দিগো ৬ঈ-৩৭৮
পুথোরক্লে ঐগী লোয়নবী ত্রোল্লিদা
লোইনমক হোংলল্লে শকফম ওল্লল্লে
খদাংগী শম্বুদু নত্তনা
মপুরোয়বা ঐমকসু খঙদ্রে
অফাওবা হোস্পিটাল অমগী
অঙকপা লায়েং লুপা লাখ কুন।

ইকন-কন্না চৎখিবনি পূমলোই লোইরল্লে
হংলকখিবনি নুমিৎ খুদিং মহাক্কী ফোন্দা
বি পি গুলি চাবিরবরা
কাউগনবদুদা হায়জবনি।
হৌজিক্তি ফোন্দু স্বিটচ-ওফ
শোরাৎকী ঈশৈ, মোইবুং খোঞ্জেল
ইশুনুপাগী ঙকশমদা লোয়নবীগী উৎ, শরূ মচেৎ
অঙৌবা খুদৈ মচা অমদা।
ইচানুপা রোমেসনা অমুক
ঐগী লোয়নবী অচৌবী, অচৌবীনা অমুক
ঐনা মঙলান অমদা অসুম-অসুম
মঙলান অমদা অসুম-অসুম
পায়খৎলক্তরে মহাক্কী ফোন!!

## পোৎলুম অদুনা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

হোয় নঙনা পামদে
ঐ খঙই;
পামদা পামদা
ইতিনফমদা তিনখি
ইচেল অদুনা লেপ্তুনা
চেন্থরকখিবনা।
কিখি নহাক য়াম্না কিখি
সমাজগী মীনোক মৈশা,
পোৎলুম অদুনা
করিগুম্বা মাগী কোকথক্তা
তারবদি;
মসিতনি মাগী অকিবা।
য়াদ-য়াদনা
ইতিনফম অদু'দা তিনখ্রি
লেপ্তুনা চেন্থরকপা
ইচেল অদুনা
নমখায়রদুনা পল অদুবু।

## থাজগী মঙালনি

**—এম নিলকুমারী**

ঈংনা মেংলবা থাজগী মঙালনি
থাশুগীদমক লাকপনি।
মুনা মুনা য়েংলক্লি নোকফেৎননা
য়োৎপী নাম্বোক্লবা মিহুৎ থোঙগী চিদাইদা
উহন্দনা ফাওজিল্লক্লি তূমিন
ইমুংগী হোরবা লাওরবা লৈক্রক্কা
নোকমিন্নরি কুফেৎ-কাফেৎ হরাওমিন্নে।
নাম্বোক্লবা উপাক্কী ফক্লাং।
লৈতেংনি ঈ-না কুপ্লবা য়ূম।
প্রকৃতিগী অচুম্বা ফজবনি খন্দুনা
ফজহল্লি মহৌশা লাইরেম্বীনা।
লমজিংলিবনি লায়রবা পুন্সি অমগী
থাজগী মঙালদি মাঙফদে
লায়র-অনং খাইফদে
থানবা য়ারোই কৈদৌনুং।
মচাশিংনি থাদোকফদ্রবা মতম্বাক্কী
হরাওগনি, থম্মোয়নুংদা মান্নদ্রবা কয়াগী
তাংজরিবনি তাংজফম লৈত্রবা পুন্সিনা
তারিবনি নুংশিরবা উচেক মচাশিংগী
মিচং মিখায় নাইদ্রবা শৈশক
হরাওরি মখোয়সু থাজগী মঙালদা
শৈশক্লি পুনশিন্ননা চিঞ্জাক থিবা চৎনবা
থাজগী মঙালনি মঙাল্লক্তা।

## অশেংবনি

**—ইরোম মোবি**

ঐগী নুপী লোয়নবীনা
নিংঙোল চাক্কৌবা চৎখিবদা
য়ূমদা হৌবা হৈনৌ চারা
ফুক্লগা পুখি মপামদা,
মপামগী মীশিংনা ঙকখি
নোকখিবসু য়াওখি
মমৈদদি থাগৎনরকখি
ফোটো নমখি হায়।

## পূক্লি তৎলবা তেলঙ্গা

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

পাইখ্রে ঐগী তেলঙ্গা
পাইখ্রে ঐগী তেলঙ্গা
পূক্লি তৎতুনা নাম্বোকখ্রে
চৎখ্রে লাপ্পা তাম্না
মফম মরাং ইখঙ খঙদা
ঐহাক্কী চূপ্পিগী ৱাংমদা
ওম্বোকপনিদকো ঐগী ইরাইবকসে।
মতম কয়া চঙনা
চঙখোন্না শাজখিবা তেলঙ্গানি
শনৈবী ৱাদগী ইৎতুনা
হাপচখিবনি মাগী ময়াংলেন্দু
নুংশিৎকী কল্লবা শাফুবু মায়োক্লবা
ঙমগদবা অখন্নবা পোৎশক্লা শাজখিবনি
মমৈ মশা পানশিনবীখিবনি;
থাগৎচখি লাইশোন তিনশোল্লদুনা
নীজদুনা তেক্ত কায়দবা পীনবীনবা
মালং মাগী মমাঙ থা
তপ্না তপ্না পাইখৎলকখি
ৱাতোন্না নেমদুনা লৈহৌই
অসুম অসুম পীকশিল্লক্তুনা
মমি শামখি মীৎয়েং ৱাংমদা;
নোংমদি তেলঙ্গা পূক্লি তৎখ্রমাল্লে
খঙকোম কোল্লকখি ঐগী চূপ্লিদো
মদোম পাইখ্রমাল্লে মফম খঙদ
শকউদবা শকখঙদবা মফম অমদা
শেন্নবীনবা য়াওদ্রবা ঐগী তেলঙ্গা
লৈমায়থক্তা তারক্তুনা থেংনবশিংনা
খোঙনেৎপীবা নৈহৎপীবা হৌরমাল্লে;
অৱাফম তারবা ঐগী তেলঙ্গাগী
মপাউ তাবা ঙমশিল্লক্তরে
হংলি ৱাহংদি লেপ্পা লৈতনা
ইশানা ইশাদা পাউখুমদি ফংদা
কদায়দা করি শোয়খিবনো
তেলঙ্গানা পূক্লি তৎলকপদা
ঐহাক্কী ইরাল করিনো?

মতম মতমগী ৱাখল

# লমদমসিগী নাৎতা হোংলক্লিবা মশকশিং-(৪)



অহোংবা হায়বসি লৈফম থোকই। মতমগী চৎনবীনা অহোংবা পুরকফমসু থোকই। মসি চাউখৎপনা পীরকপা খুদোলনি । য়ুম-কৈ শাগৎনরকপা, মমল য়াম্বা কার থৌনরকপা ঐখোয় লোয়না য়ারি। য়াফম থোকই, করিসু হায়নদে। হৌজিক কন্না চৎনরকপসি য়ূমগী নুপী মৌশিং ফাওবা য়াওনা কোক্কী শমদা মচু অঙাংবা, নাপু শঙনরকপসি অমনি । মসিবু চাউখৎলক্লিব্রা হায়বসিনি । অহল ওইরগা পোক হৌনৈ । পোক হিদাক শঙনৈ অদুম চৎনরকই। পোক হৌবা হায়বসি মুরম্বা শম্না ঙৌরকপনি। মসি অহল ওইরকপা মতমদা তৌনৈ । পোক্লা পূমঙৌ ঙৌবদা, লেম্বা মশক ফজবা মীসু য়াওই। মী লোয়নমক পোক্লা পূমঙৌ ঙৌবদা ফজদবসু লৈ । হৌজিক্লা অহল ওইদ্রিঙৈ অঙাংসু পোক হৌনরে । অঙাংদি পোক হিদাক শঙনদে । পোক হৌবগী নত্তবদা থৌওইনা কোক্তা সনাবী মচু, নাপু মচু অঙাঙবা শংনবা মী য়ামখৎলক্লি । মীনা শম মচু শঙবা উরগা ফজগদবোই নীংদুনা শঙবা মীসু উই। মৌ নহা, মৌয়াই ফাওবনা কন্না শঙবা চৎনরিবা অমনি । মসি পোক হিদাক হায়গদ্রা ? লৈশাবীশিংনা মচু শঙবদি ফেসন্নি । চহী য়াল্লবা মৌশিংনা শঙবদি য়েংবা খরদি নুংঙাইতে । শম শঙবগী ৱাসি নাথৈরল্লগা, হৌজিক্কী মৌশিংগী মরক্তা মাগী মাগী মপুরোইবদা মিং কৌবা অমসু চৎনরি।

মৈতৈগী য়ূম হায়বসি হেক উবদা,য়েংবদা খঙবা ঙম্মী। হৌজিক মৈতৈ য়ূমশাগী মশক মাঙখ্রে । ইনাক কৈরাক খুনগৎনরকপা মপাল লমগী য়ূমশা মওং খঙলকপনা তম্লবা ইঞ্জিনিয়র, আর্কিটেক য়াম্না লৈনরকপা মখোয়না অনৌবা দিজাইন তৌরকপদগী নাৎকী য়ূমশাগী মশক্তা অহোংবা লাকখি। চাউখৎলবা মপান লৈবাক্তা গ্রীক্কী য়ূমশা অয়াম্বা মান্নৈ। বৃটিশকী য়ূমশা, জপানগী য়ূমশা অয়ামবা মান্নৈ। মখোয়সু অহোংবা লৈতবদি নত্তে। ডিজাইন হোংলকখি অদু ওইরগসু নাৎকী মশক অমদি কদাইদনো অমা হাপ্পবা অদুম হোৎনরি। হেক য়েংবদা জপানগী ,চিনাগী, গ্রীক্কী, রোমগী য়ূমশানি হায়বা অদুম খঙবা ঙম্মী। ঐখোয়না লাইরবা লৈপাক ওইরমখিবসিনা লৈরল্লিবা য়ূমলৈ কৈরৈ উমংগী পূন্সি মহীং মানবা অমা য়াওই হায়না ঙসিগী মীরোলনা হায়জরগসু নাৎকী মশক অদুদা অনৌবা হেন্না ফজবা য়াবা খরা হাপ্পগা শাগৎপগী ৱাফমসিদি লৈতে। মৈতৈগী য়ূমজাও ফজদে হায়বদি লানগনি। মৈতৈগী থাইনগী ঈনা কৃপ্পা য়ূমজাও, ফক্লাং লাইমুনা হায়বা ফজদে হায়বা য়ারোই, সাহেবনা ফাওবা পামখি।

ঙসি মমল য়াম্লবা মার্বলগী টাইলসনা ইমুংদা থাবদগী হেন্দোক্লদুনা শুন্মাংগী লৈমায়দা থানবা য়াওনরি। শুন্মাং থেল্লোংদা মৈতৈনুপীশিংনা ইকোয় কোয়না ৱাই তৈরগা তনান তনান থম্নরম্বদু অদুগুম্বা মৈতৈগী শুন্মাং মাঙখ্রে। নুপীনা শুন্মাংদা নুরা চফু পায়দুনা অয়ুক্কী নুমিদাংগী ৱাই তৈনরম্বদুসু তৌনখিদ্রে। খুঙ্গংগী মফম খরদা লৈরম্বদি য়াই অদুসু য়ূম খরতা ওইরল্লগনি। নুপামচা পাখং শীংজং পায়দুনা য়ূমগী চাক থোংনবা শীং খায়বা উখিদ্রে । মৈতৈ নুপা শীং খায়বা হৈত্রে । ইঙ্খোলদা চঙদুনা কোকশেৎ শেৎলগা য়োৎপাক পায়দুনা তেম্পাক তৌবা মৈতৈ পাখঙ, মৈতৈ নুপা লৈখিদ্রে । ইচে ইচলশিংনা নুমিদাং ৱাইরম সনাপুল পায়রগা লৈকাইগী পুখ্রি অচৌবদা ঈশিং শোকপা থোক্লরকখিদ্রে । ঈশিং পুনদা থন্নবা হাপ্পগী হঙ্গৎ হন্দা ঈশিং শোকপা চৎপদুসু চৎনখিদ্রে। ঈশিং পুনগী মহুৎতা ঈশিং হাপ্পবা প্লষ্টিক বটল, প্লষ্টিক জারদা ঈশিং লৈরগা থিন্নরে । লৈকাইগী চাকচা-হৈজানবদা ঈশিং খুজাই পুনরক্লম্বা ঙসিদি প্লষ্টিক বটল অমমম ওইনা থক্লবা থম্নরে ।

য়ূমগী অহল ওইরবী ইমা অবোকশিংনা মৈতাল শূরগা টিকি শানৈ । কৈথেন্দসু টিকি য়োন্নৈ। অদুগুম্বা টিকি অশাবদুনা য়ূমগী লাই-তিনগী ধুপ থাবদা শীজিন্নৈ। টিকিদা মেক্রুক হাপ্লগা থাবদা ফজবা মৈখু, নুংশিবা মনমসি লাইমক্লা পামগনি খন্নৈ। পূক্লিং হকচাং তশেংঙি। লৈকাই অমদা লৈনরম্বা টিকি শাবী অবোকশিং লৈখিদ্রে । ফৌরাগী মনমদা টিকি শারগা কংহনবা, শুন্মাংদা ফৌরাদা ফৌ ফৌবা, পোল্লাংদা মোরোক পীক থন্না হাপ্লগা শুন্মাংদা কংনবা ফৌনবা ঙসি অমত্তা উখিদ্রবা ঙাক্তনি। ঙসিগী মীরোন্না উবা ফংদবসি নোংমা নোংমগী মশীং য়ামখৎলক্লি। মৈতৈগী য়ূমগী শূন্মাংদা পোল্লাংখোক থম্নরম্বা ঙসি পোল্লাংখোক থম্নদ্রে। প্লাষ্টিক থৌরীনা য়ূমগী উখোংদা কিশিল্লগা ফি ফৌনরে । ষ্টিলগী এলুমিনিয়মগী ফোল্ডিংগী ফিয়ানখোক ওইনা শীজিন্নরে । খুদেংদা ফি শুনদ্রে, ৱাছিং মেচিন লৈবা কাংবুনা মেছিন্দা, লৈতবা কাঙবুনা প্লাষ্টিক খুদেং মখল মখলদা ফি হাপ্পরি, শূনরি। মৈতৈগী উগী খুদেং মাঙখ্রে। ইপা ইপুগী খুজিল কক্লবা খুজিন্থাংগী মহুৎতা নেল কটর শীজিন্নরে। পাফোই লৈত্রে, টিকি থানবা, মৈ চপ্পবা চেগপ মশক উদ্রে । চফু উয়ান চপ্পবা চেগপ থায়নগী মশক্তু নৎত্রে। পিথ্রাইগী পুখম তেংকোৎ, ইমুং মনুংদা শীজিন্নবা মথৌ তাবা পোৎলম খুদিংমক মপান্দগী পুশিল্লকপা প্লেটশিংনা মহুৎ শিনখ্রবনি।

নাৎকী মশক্তা হোংলক্লিবা পোৎলম মচাদগী অচৌবা ফাওবসি পুথোকপগী লোইবা নাইররোই । মীগী মশক ৱাঙাং শঙাং ওল্লবনি। খুদিংমক্তা ওল্লকপা অসিনা মতম অমা লৈমা নিংথৌ পাল্লিঙৈদগী চৎনরকপা মসিল অমা ওইনা য়ুম্নাক পীদুনা শিনফম অমা ওইনা লৈজরকপা থাংজম,অহৈবম, ফুরিৎ শাবমনা শাজরম্বা পোৎলমশিং মপানগী পোৎলম পুশিল্লকপদগী শিনফম মুনবীখি । থাংজমনা থাং শাবা, অহৈবমনা কোল-লীক হৈহল্লম্বা শিনফম খুদিংমক ঙসি মীতোপকী ওইখ্রে । মৈতৈ য়ূম শাবা নেক্লখিদ্রে। অহৈবম শাগৈনা হৈবা লাইগী শরিক পিথ্রাইগী তেংকোৎ, খুজাই পূন্নমক সিলচরদগী কলকটাদগী পুশিল্লকপা পোৎলমশিংনা মহুৎ শিন্নরক্লি । ঐখোয়গীনি হায়বা অমত্তা লৈরকত্রবা, ঐখোয়গী পোৎলম পোৎথোক মাল্লকত্রবা, মৈতৈ নৎত্রগা য়েক সলাই চা কাঙলুপ অমা নাৎকী মশক ঙাক্লা লৈরম্মী হায়বসি হৌরক্লিবা মীওইনা খঙখিদ্রা ? মসিগী নুংনাংবসি ঐখোয় খঙফম থোকই । হৌজিক্কী মতমদা য়েংবদা, উবদা ৱারবা মরিং মরাংবা ময়াম অমা মীয়াম মাঙদা উবা তাবা হেনগৎলকই। চহী য়াঙ্খৈগী মথক্তা লৈবা কাঙবুগা ঙসিগী নহরোলশিংগা ৱাখল মান্নররোই । চহী মান্নদবগী মতুংইন্না ৱাখল মান্নরোই অপাম পামদা মান্নরোই মসি মহৌশানি। চৎনরকপা নাৎ হায়বসিমদি লেঙদনা লৈগনি। কাঙলুপ অমগী লোন হায়বসি লেঙদনা লৈগনি। খরা থৈদোক থৈজিন শীজিন্নবা খেন্নবগী মতুং ইন্না মশক মওং হোংলকপসু য়াই। লেঙদনা লৈহনবা, হিংহনবা,চাউখৎহনবা হায়বসি ঐখোয়গী খুৎতা লৈগদবনি। ঐখোয়গী চৎনবী ঐখোয়না ঙাকচগদবনি। ঐখোয়না চৎনরকত্রবা থৌওইরক্ত্রবা মতমদা মাঙখিগনি হায়বসি ঐখোয়না খঙজবা মথৌ তায় ।

ঙসি মালেমগী চাউখৎলবা লৈবাক কয়াদা মখোয়না মশাগী হৌরকলোন, চৎনবী মীরাইরুবদগী মখোয়গী নাৎ মাঙশিল্লকপশিং খঙলক্তুনা য়োকখৎনবা, ঙল্লিঙৈগী মশক মাঙহন্দনা থম্নবা অরীবা য়ূম, অরীবা পোৎলমশিং খোমজিন তাশিন্দুনা আর্কাইভস হাংদুনা মিউজিয়ম শেমদুনা,শেল চঙনা মফম চানা লীদুনা থম্নবা থৌরাংশিং পায়খৎনরি। অরীবা পোৎলম মতৌ করম্না লীদুনা থমগদগে হায়বগী খঙনবা সেলেবসতা হাপ্তুনা মহৈ ফাওবা তমহন্নরক্লি।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরগী ওইনা য়েংলগসু নাৎপু নুংশিজবা, য়োকখৎচবা পামজবা লন্নাই কাঙলুপ কয়ানা মানা মানা ঙমজবা থাক্তা কন্না চাউখৎনবা, মফম কঞ্জনবা হোৎনবীরি। লৈঙাক্লসু শেন্থং খরতা ওইরবসু ফংহন্দুনা ঙাক শেন্নদুনা নাৎপু হিংহন্নবা হোৎনরি। অসিগুম্বা কয়া অসি লৌখৎ লৌখৎনা মরীং মরাংবা কয়া,কনাগুম্বা মীওই নুপা নুপী, নহারোলশিংনা জগোয়দা ঈশৈদা , লুহোংবগী,লাই হরাউবগী থৌরমশিংদা মীয়াম মাংদা উৎথোকলকপা থেংনরি । মসি তৌহৈদবা অমনি । য়াদে হায়বা পোৎতা অতম্লনা য়েংবা নুংঙাইতবা উবসি অদুম থোক্লগা লৈরি। মিডিয়ানা কচিন কোয়াদা করি তৌরি হায়বসি হেক্তা উহনবা ঙল্লবা মতম অসিদা খঙলোই উরোই হায়না কনাগুম্বা কনাগুম্বীনা নুংঙাইতবা নাৎকী মশক্তা য়েংবা নুংঙাইতবা কয়া উহল্লকপসি ৱাখল খন্থহন্নিংঙি । হৌজিক মিডিয়াদা ভাইরেল ওইরবনি হায়দুনা য়েংবদা ৱারবা সংকির্ত্তণ ঈশৈ অমা কনাগুম্বী শৈশকপী খরনা শরুক য়াবা উরি। মমাংদসু কয়া উখ্রে । মসিগী মাঙজবসি ঐখোয়খক্তনি। ঐখোয় হায়রিবসি অরানবা তৌরিবা মহাক্তুবুনি। সংকির্ত্তণ ঈশৈ অদুবু কৎচরিবা ইমুং অদুসু মহৈ ফংলরোই। অহল লমন্না য়াম্না শাওনা চৈরম্বা ৱাহৈ '' মপা মপুনা ফমেন ফমদুনা ৱারক্তবা মচা হায়বসি'' হায়হনগনুসি । অহন লমন্না ফমেন ফমদুনা ৱারক্লবা মচা মশুদি হায়বা ইনবা, অফবা মীসু ওইগনি। মিংচৎসু ফংগনি । মিংচৎতগী হেন্না ৱাংবা ফিদাসিবু কদাইদা লৈরমগদগে ? অফবদি মীয়াম্না ফনা শোন্নগনি। ফৎতবা তৌবা, থক্সি খাসি লৈতবা মীদি মহাক্লা শিরবা ফাওবা অদুম ফত্তনা ঙাঙনরগা লৈহৌগনি। ●

**—মাখোনমনি মোংসাবা**

ৱারী ককনাউ

# লেম্না থাজরোইকো

''ইতাও ঙাগী ফার্ম তৌবসি কান্নগদরা?''

''কাইদা তৌগে হায়রিনো?''

''ঐ লৌ উররোই, ঙা য়োক্লবা পুখ্রি ওইনা তৌথোক্লগা ঙা ওইনা য়োকপনা ফদৌ মাল্লে''

''করি ৱানোদা ইতাও, লৌ উদ্রদি করি ওইনা চাদৌরিগে, ঙা চাবনা পুক থনবা য়াবা নত্তেদা। কাইদগী খল্লকই ৱাখলনোনে ফৈরেং তুরেং''

''ফৈরেং তুরেং নত্তেনে। লৌ উরগা ফৌসু থোক্তে কৈদৌনি। অদুই শরুক ঙা ওইনা য়োকপনা ফরে খনবগী ৱানি''

''ইতাওগী ৱাসিদি ঐ খনফম থোক্ত্রেবো''

''লৌ উরে হার ফংদে, হার হাপত্রে, লৌ ফৎত্রে, লৌ ফৎত্রদি ফৌ থোক্ত্রে, ফৌ থোক্ত্রদি লৌ উরুবগী করি কান্নরি''

''হোইনে অদুগীদি য়াম চুম্মীনে''

''হার ৱাত্তে, ফংহননিদি হায়, অদুগা করিগী ফংদ্রিনো? ভোট ময়াগা ওইবসিদা... হারসু কৈসু লোইনা পোলিটিক্স য়াওখ্রবরা কৈনোমা তৌরে... হুম ঐ ৱা য়াম হায়নীংদে''

''কনাদনোনে নঙনা হায়সিবো?''

''ঐনা হায়সি অপানবা মী য়াওরমগনি''

''হুম নঙগীসি ঐ চিংনবা অমা য়াওরেবো''

''মসি হায়নদবা য়াদবনি''

''লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হার পীবসিদা শাথীনা লুনা লৌরিসি করিগীনো? মণিপুরদা লৌ উবা য়ারিবা লৌফমসি কয়ানো হায়সি ইরায় লায়না লোইনা খঙনবা য়াবা ৱানি। মসিদি লৈঙাক্কী চেদসু লোইনা লৈবনি।''

''উম চুম্মী অদুবুদি লৌরুংশঙদা লৈরমগনি''

''চীংগী লমদা লৌ উবা মফম কয়ানো, পামলৌ উবা য়াদ্রবদি লৌ উনরিবা লৌফম কয়া য়াম্না লৈ হায়সি মায়কৈ মায়কৈগী ওইনা য়েংলগা শাথীনা লৈখ্রজাৎনি। মদুগী চঙগদবা হার কয়া য়াম্না চাইনি হায়দু অঙ্ক হোৎপদা নোংমা চঙগদবা নত্তে। মদু কোন্ননবা হেন্দোক হেনজিন খরা হাপ্লগা হারদু দিমান্দ তৌরগা লৌবা য়াই''

''মদুমক লৌরিবনিনে''

''অদু ওইরদি করিগী লৌমীদা হার ফংহন্দ্রিনো সিনি''

''ময়াম অফংবা য়াম্না য়াওরিসিদি''

''ফংদবসু ময়াম অমা য়াওরিসিদি... কান্নদে মসি ৱাসি তোকসি, কন্না হায়বা য়াদে। হায়রুবদা ফরক তানি। অদুই শরুক মতম চানা হার চাইবা ঙমদ্রবা, হারবু এ সী/এ সীগী ওইনা পুথোক পুশিন তৌনদুনা শিন্দোক শিঞ্জিন তৌরগা লৌমীদনা ফরক তাহনবা, ফৌ থোক্ত্রবা মসিগী লৌসিদা উদ্রগা ফরদৌনি। অদুই শরুক ঙা য়োকপনি খঙদে, য়েন লোয়বনি খঙদে, চুজাক থাবনি খঙদে কৈনোমা তৌবনা হেন্না কোকসি ঈংদৌ মাল্লি''

''য়ারোইহে কাইদগী খল্লক্লিবা ৱাখলনোনে মসিবো? লৌফমদা নঙনা ঙা য়োকশিনবা, য়েন লোয়শিনবা, চুজাক থাজিনবনা হেন্না ফরক তারোইদ্রো। নঙ তাদ্রিবো?''

''করিবো?''

''লৌফমদা স্কুল শাবা ফাওবা শিদোকউ হায়নরকানসিদা''

''স্কুলদুদি ফরেনে, অতৈ চেক শুফম, ওফিস মচা, কম্পেনি মচা মচা শাগৎনদনা লৌ উনদ্রিসিদি কমদৌদৌরিবা?''

''অতৈদি খঙদে, স্কুলদি য়াদ্রে''

''অতৈসু য়ারোইদৌনি''

''অদুবু ইতাও ৱাসে হায়বদি য়াদে। নঙগী অনীংবা পংহায় হায়বা পংতৌ তৌবা য়ারোইকো, নঙ লেম্না থাজরোই''

''অদুননে ঐনা লৌ উররোই হায়সে।''

''উদবা য়ারোইমী''

''লৌ উরোই হায়বা মখৈ অমুক নোটিস অমা থোকচিল্লগা... উম, কান্নদে ইতাও, লৌদু অদুম উকো, ফৌ থোক্কেরা থোক্লোইরা''

''নঙগী ৱাসিদি ঈৱাং অদুমা চেন্না লৈবগী ৱাতানি। হারগীদমক অদুক য়াম ৱারীদু করিগীনো, মাই ফংজনি।''

''হারদো চাইবা মতম হায়বা অমা লৈনা ইতাও। মতমদু হেল্লগা ঐনা চাইগে হায়বা মতমদা চাইবদা কান্নদেনে। হয়েং লৌ লোক্লবা মতমদুদা হার চাইরগা করি কান্নদৌরিগে?''

''ইহে, হার ৱাত্তে, লৌফমদফাও য়েন্নি হায়রিদু তাদ্রো?''

''কান্নদে ইতাও, মথং চহীদদি ঐ লৌ উররোই হায়সিনি?''

''নঙগুম্বা ঙাক্তা অদুম্মাইনা তৌনরদি ময়ামসি করি চারগা হিংদৌরি?''

''থাকফম থোকপা মীনা মাইনা থাকচনি''

''ইতাও নঙ অমা শোয়রোই, লেম্না থাজখিরোইকো''

''থাগেরা থারোইরা ঐ লৌ উররোই, লোইরে। ঐগী লৌফমদো ঙা ফর্ম তৌবনি খঙদে, ঙানু লোয়বনি খঙদে অমা তৌবনা হেন্না কান্নরনি'' ''উম শোয়দ্রে শোয়দ্রে''

*-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা*